**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল পোল্লুসন) এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৪ চৎনহন্নবা কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দর যাদবনা রাজ্য সভাদা ঙসি সেচুটোরি রিজোলুসন অমা পুখৎখ্রে।

বিরোধি সদস্যশিংনা মণিপুর মীখল পাঙথোকবা দাবী তৌরি।

২) ইন্টরনেসনেল ডে ওফ পাসর্ন্স ৱিট দিসএবিলিতিজ-২০২৫ ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

৩) মনিপুরদা ঙসি মীওই ৯ খক্তা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি। পুন্না সেম্পল ২২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৯ অসি পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

৪) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খরদা লৈচিল কুংনা থাগনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি-লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রদা শাশিন্নবা ঈ-পাউনা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি।

------

এক্ট (এল)ঃ মণিপুরদা ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল পোল্লুসন) এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৪ চৎনহন্নবা কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দর যাদবনা রাজ্য সভাদা ঙসি সেচুটোরি রিজোলুসন অমা পুখৎখ্রে।

রিজোল্সন অদু খন্নবদা শরুক য়ারদুনা ৱাই.এস.আর.সি.পিগী অয়োধ্যা রামি রেদ্দিনা হায়- আইনগী ওইবা ফ্রেমৱার্ক অসিদা সরফেস ৱাটর খক নত্তনা গ্রাউন্দ ৱাটরগী মতাংদসু কোনশিনগদবনি। মহাকা গ্রাউন্দ ৱাটর অসি ষ্টেটকী সবজেক্ট ওইরবসু রাজ্য খরা খক্তনা মসিগী আইন শেমদুনা পাস তৌখ্রে। মহাকা হায়- রাজ্যশিংদা লৈনুংগী নিংথিজনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

দি.এম.কেগী পি. ৱিলসন্না লৈবাক অসিদা থোক্লিবা পোল্লুসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মহাকা তামিলনাদুদা ফ্লোরাইদ কোন্টামিনেসন তৌরে হায়বগী ৱাফমশিং ফোংদোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা বিধান সভা মীখল পাঙথোকবা দাবী তৌখি। মহাকা হায়- রাজ্য বিধান সভা মতম কয়াম কুইনা সস্পেন্সন তৌদুনা থমগদৌরিবনো। অদুগা সংসদনা রাজ্য বিধান সভাগী দাইত্ব লৌদুনা পাস তৌগদৌরিবনো।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী সদস্য সুসমিতা দেবনা মণিপুরদা মতম শাংনা রাষ্ট্রপতি সাসন থম্বগীদমক কেন্দ্র সরকারবু হুনদুনা ঙাংখি। মহাকা হায়- মণিপুরদা সস্পেন্দেদ এসেমব্লি অমসুং রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরি। মরম অদুনা ইং ২০২৪ গী এমেন্দমেন্ট অসি করি দরকার লৈবগে। মহাক া হায়- মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈবতা নত্তনা লাঞ্জেন্নরবা মীওই কয়ানা রাজ ভবন মমাংদা খোঙজং চংশিল্লিঙৈ চৈরক্তা ৱাটর পোল্লুসন এক্ট পুথোরকপা অসি লাইবক থিবনি। কেন্দ্র সরকারনা মণিপুরবু মতেং পাংলবদি খুদক্তা গনতন্ত্রিক ওইবা মীখল পাঙথোকবা হোৎনগদবনি।

কংগ্রেস সদস্য নিরজ দঙ্গিনা হায়- মণিপুরগী ফিভম ফগৎত্রিবনা রিজোলুসন অসি সংসদতা পুথোকপনি হায়না লৌই। রাজ্য অদুদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম য়ামা ফৎত্রে।

ডে (এল) ঃ ইন্টরনেসনেল ডে ওফ পাসর্ন্স ৱিট দিসএবিলিতিজ-২০২৫ ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী হিরমনা ফোষ্টরিং দিসএবিলিতি-ইনক্লুসিভ সোসাইতিজ ফোর এদভান্সিং সোসিয়েল প্রোগ্রেস হায়বসিনি।

চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়লনা হায়রি- মতম অমদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংবু বিকলাং হায়বদি পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি হায়না খঙনরম্মী। অদুবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মখোয়বু দিবিয়াং কৌরে মসিগী ৱাহন্থোক্তি অসিগুম্বা মীওইশিং অসি ঈশ্বরনা ঐখোয়দা পীবা খুদোলনি হায়বসিনি।

রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখিবা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী পুনিত কুমার গোলয়লনা হায়- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং হৌজিক অদুক্কী মতিক হোৎনবা কনদুনা মীয়াম মরক্তা থোং মান্ননা হিংবা ঙমলে। মালেমগী থাক্তসু তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা থৌনা অমদি লিংজেলশিং খঙনরক্লে।

হেন্দিকেপ দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসন-মনিপুরনা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা বাবিনা হোস্পিতাল অমসুং এদভোকেট-লৈশাংথেম রোসমণি মেমোরিএল ত্রষ্টকা খুৎশমরগা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ পাসর্ন্স ৱিট দিসএবিলিতিজ-২০২৫ হৌজিক হোস্পিতাল অসিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্লি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদসু ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি ২০২৫ গী থৌরম এচিভমেন্ট ওফ রাইজিং, দিষ্ট্রিক্ট ৱেলফ্যার ওফিস, দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট ওফিস, সমগ্রা শিক্ষা অভিয়ান্না পুন্না শিন্দুনা লখিমপুরদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ফোর চিলদ্রেন ৱিথ দিসএবিলিতিজগী কেম্পসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমার, এস.পি- প্রখর পান্দে অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা হায়- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমবগা লোয়ননা পুন্না চৎমিন্নরবদি অফবা চাওখৎপা জিলা অমা ওইবা ঙমগনি। কাংপোকপী জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যারগা পুন্না শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিগী থৌরম দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট

এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যারনা মীওই ১০ দা খুদোলপোৎশিং পীখি।

বিষ্ণুপুর জিলাদসু নুমিৎ অসি ক্যাম্বা নীংশিং শঙলেনদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা দি.দি.আর.সি বিষ্ণুপুর, মণিপুর গাইদেন্স সেন্তর ইম্ফাল অমসুং সোসাইতি ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ দ দিসএবল মোইরাংগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা মীগা মীমান্নদ্রবশিংবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নিংথিনা লোয়নবীবগা লোয়ননা মখোয়বু মতম লৈবা খিবিক্তা লমজিং লমতাকপীবা য়ামমক তঙাইফদে।

ফেরজোল জিলাদসু নুমিৎ অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা শিন্দুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মননুৱাম চিংনা হায়- সমাজ অসিনা মীগী মীমান্নদ্রবশিংদা অফবা মওংদা য়েংলকপা মীৎয়েংনা মতম কয়াদগী মখোয়বু হঙ্গোইনরম্বা অদু হৌজিক্তি লৈত্রে।

থৌবাল জিলাদসু নুমিৎ পালন অসি দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা দিভলপমেন্ট ৱিমেন্স প্রোগ্রাম সেন্তর, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেন্দিকেপ পার্সন্স, ইদুকেসনেল এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, রুরেল দিভলপমেন্ট সোসাইতি এন্দ সেন্তর ফোর দিভলপমেন্ট এক্তিভিতিজ থৌবালনা শিন্দুনা দি.সি. কমপ্লেক্সকী মিনি সেক্রেতরিয়েটদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিসনার হননা কামৈনা হায়- মীগা মীমান্নদ্রবশিং নুংঙাই য়াইফনা লৈনবা আশাশিং মীয়ামা হোৎনবীগদবনি।

তমেংলোং জিলাদা নুমিৎ অসি দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার অমসুং তমেংলোং হেন্দিকেপ পিপলস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী এ গেপ হোলদা পাঙথোকখি। ককচিং জিলাদা নুমিৎ পালন অসি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি। দিফরেন্টলি এবর পার্সন্স ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

দেঙ্গি(এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি মীওই ৯ খক্তা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি। পুন্না সেম্পল ২২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৯ অসি পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৬ পোজিটিব ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদনা মীওই ৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩ পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা সেম্পল লিশিং ১১,৫৯৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ৫,৪৮৫ পোজিটিব ওইরে।

ফন্দ (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারগী ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসেস বিভাগকী মখাদা মণিপুর শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লিবা দিপোজিটর ইদুকেসন এন্দ এৱারনেস ফন্দগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহনবগী কেম্প থা অসিগী ৩১ ফাওবা তোঙান তোঙানবা জিল্লাশিংদা পাঙথোক্লি। কেম্প অসি ষ্টেট লেবর বেঙ্করস কমিতি মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাগী তেন্থা লাইবুং কম্যুনিতি হোলদা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা কেম্প অমা পাঙথোক্কনি।

মৈ (এল)ঃ 11 কে.ভি. পেন্নেল-132 বাই 33 বাই 11 কে.ভি. চান্দেল সবষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা হয়েং অযুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মৈ মুৎকনি। এম.এস.পি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- 11কে.ভি. পেন্নেলগী ওইনা রুটিন মেন্টেনেন্স তৌগদবা মরমনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই। মসিগী মতম অসিদা এলেভেন কে.ভি. কোম্লাথাবী অমদি চান্দেল ফিদরগী কঞ্জুমরশিংদসু মৈ ফংলোই হায়রি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খরদা নৈচিল কুংনা থাগনি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তমেংলোং,

সেনাপতি, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমদি উখ্রুল জিলাদা অয়ুক অঙনবদা লৈচিল কুংনা থাগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমশিং-অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামগী মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অয়ুক অঙনবদা কা হেন্না লৈচিল থারবা য়াই। হায়রিবা ফিভম অসি হিমাচল প্রদেস অমসুং উরিষ্যাদা মায়োকরবা য়াই। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-তামিল নাদু, পুদুচেরি অমসুং কেরলাগী মফম খরদা হয়েং ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই। পঞ্জাব অমসুং ময়াই থংবা মহারাস্ত্রাদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা কা হেন্না ইংগনি।

ব্রোদকাষ্টিং ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রদা শাশিন্নবা ঈ-পাউনা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়া, শাশিন্নবা ঈ-পাউ, এ.আইনা জেনেরেট তৌবা শাশিন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লাক্লে।

লোক সভাদা হংলকপা ৱাহং অমসুং মখা তাবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- এ.আইনা জেনেরেট তৌবশিং খঙদোকবা অমসুং মসিগী মথক্তা থবক লৌৎনবা দ্রাফট রুল অমা ফোংলে। মহাকা হায়- সরকার অমসুং প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা পাউচে নত্রগা টি.ভি. চেন্নেলশিংগী মথক্তা লাকপা ৱাকৎশিং কুপা য়েংশিল্লি। মন্ত্রিনা হায়- শাশিন্নবা ঈ-পাউ নত্রগা শাশিন্নবা ৱারীশিং মতিক চানা থেংনগদবনি। মসি থেংনবা হায়বসি কেন্দ্র সরকার, রাজ্য সরকার অমসুং সিভিল সোসাইতিশিংনা অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

এআই ঃ রিজনেল আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স কনফরেন্স মেঘালয়গী কোনুং শিল্লোংদা লৈবা ষ্টেট কনভেন্সন সেন্তরদা ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভারত পুম্বগী ওইবা এ.আই ইম্পেক্ট মীফমগী মাংওইননা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ভারচুয়েল ওইনা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- রিজনেল এ.আই ইমপেক্ট কনফরেন্স অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি। মীফম অসি মরুওইবা মীৎয়েংদি- মীয়াম, পৃথিবী অমসুং খুমাং চাওশিনবা হায়বসিনি।

মন্ত্রিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা এ.আই. চাওখৎনবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা মিসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মিসন অসিগী মখাদা হৌখিবা চহি মঙা অসিদা লুপা কোতি লিশিং ১০,৩০০ হেন্না কাইথোকখ্রে। মন্ত্রিনা হায়- শিল্লোংদা লৈবা নৈলিটতা হাংদোক্লিবা লেব সেট অসিগী মথক্তা শিল্লোংগী আই.টি.আই অমসুং পোলিটেকিক্তা লেব অমমম লিংলগনি। মসিগী মথক্তা তুরাদা লৈবা আহ.টি.আইদা লেব অমা লিংনবা থৌরাং লৈরে। মহাকা হায়- সরকারগী পান্দমদি মীওই লাখ ১০ রোম এ.আই স্কিলগী ত্রেনিং পীবনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ইন্টরনেসনেল ডে ওফ পাসন্স ৱিট দিসএবিলিতিজগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা নেসনেল এৱার্ড ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি ২০২৫ য়েন্থোকখ্রে। মনাশিং অসি পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিতিশিংগী হক অমসুং থৌশিল থৌরাংশিংদা পুকিং থৌগৎপা ওইনা মনা অসি পীবনি।

থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- দিবিয়াংজনশিংগী হক অমসুং থোং মান্নবা মীৎয়েংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবনা সমাজ অমা চাওখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা চথুখিবা ওপরেসন অমদা মাওইষ্টকী মীওই ৭ অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেল অনি শিরে। জৱান অমনা শোক্লে।

বিজাপুর জিলাগী এস.পি. জিতেন্দ্র যাদবনা হায়- অককবা পাউ ফংবদগী বিজাপুর-দান্তেৱারা জিলাগী ঙমখৈ পরিংদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ, স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্স, কোব্রা য়ুনিত অমসুং সি.আর.পি.এফনা দান্তেৱারা অমসুং বিজাপুর জিলাদগী থি হুম্বগী থবক চথুরকখি। মদুদা খুথোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। বাস্তর রেঞ্জগী

আই.জি.পি সুন্দরাজনা হায়- মফম অদুদগী মাওইষ্টকী হকচাং ৭ ফংলে। মসিগী মথক্তা রাইফল অমসুং অতৈ পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিংসু ফংলে। খুৎ থোকবগী থৌদোক অদুদা বিজাপুরগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী হেদকন্সটেবল অমসুং কন্সটেবল অমা শিখি, শোক্লবা জৱান অমনা লায়েংনবগীদমক বিজাপুরদা পুখ্রে। মফম অদুদা অহেনবা ফোর্স থাজিনদুনা থি হুন্নবগী থবক চথুখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুঞ্জেম লৈকাইনা শিনদুনা চথুরিবা মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী থাঙ্গাগী লাইনিংথৌ লম্পাক খুঞ্জেম লৈকাই গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ঐচ.ভি.সি হিয়াংখোংনা ৱাই.দব্লিউ.দি.ও থাঙ্গ ওইনামবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ গুজরাটকী অনন্দ লৈবা লাল বহাদুর শাস্ত্রিদা চথুরিবা কুশ বিহার ত্রোফি প্লেট য়ুথ ফার্ষ্ট ক্লাস মেটচ মনিপুরনা মিজোরামবু রন ২৬৪ দা থোইরে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা- এস.এস.য়ু শিংজমৈ-ককৱানা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদ শগোলবন্দবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু রন ১৮ থোইখি।

ক্রিকেটঃ ওরিষাগী কটক্তা বি.সি.সি.আইনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বিজয় মার্চেন্ট ত্রোফি ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী চহি ১৬ মখাগী নুপামচাগী টিম হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। টিম অসিদা শান্নরোই ১৫ অমসুং সপ্পোর্ট ষ্টাফ ৭ য়াওরি।

ফুটবোল ঃ ৩ শুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শঙ্গাই হিরোসনা অসুফি এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা অনৌবা ইমাগী মঙালনা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ কার্গিল ব্রেভ হার্টস মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রিনদামখুনা তোনসেন এফ.সিবু পাঞ্জল পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা- খোংজোননা পুরুম তম্পাক স্পোর্তিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-১ দা, চান্দেল পুলিস এফ.সিনা লিৱা খুল্লেন ৱাই.সিবু নাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) মণিপুরদা ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল পোল্লুসন) এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৪ চৎনহন্নবা কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দর যাদবনা রাজ্য সভাদা ঙসি সেচুটোরি রিজোলুসন অমা পুখৎখ্রে।
বিরোধি সদস্যশিংনা মণিপুর মীখল পাঙথোকবা দাবী তৌরি।

২) ইন্টরনেসনেল ডে ওফ পাসর্ন্স ৱিট দিসএবিলিতিজ-২০২৫ ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

৩) মনিপুরদা ঙসি মীওই ৯ খক্তা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি। পুন্না সেম্পল ২২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৯ অসি পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

৪) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খরদা লৈচিল কুংনা থাগনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি-লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রদা শাশিন্নবা ঈ-পাউনা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি।

--- পাউ লোইজরে---